# চাগোক ফবী ষণবী করম্না খঙগনি

**– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –**

হায়নবা লৈ ষণবী অমনা চহী অমদা মচা অমা পোকই। অচুম্বনি ষণবী অমনা থা ১২-১৩গী মনুংদা ষন্নাউ অমদি পোকই। চগোক ফবী ষণবী অমা ওইহন্নবা ষণবুগী থৌদাং য়াম্না চাউনা লৈ। ষণবুনা মতম চানা হীট লাকপা খঙদোকপীহৌবা, অফবা মখলগী ধারানা মচা লৌবিবা, হাতমশিংবু নীংথিনা য়োকপী শেন্নবীবা, অহল ওইরবা ষণবীবু হাতম্না মতম চানা মহুৎ শিন্দোকপিবা, গর্ভ পুরিঙৈ মতম অমদি চাবোকপা মতমদা অকায়বা কয়া লাক্তনবা নীংথিনা শেন্নবীবা, গর্ভ পুবা মতম ঙন্না খঙদোকপীবা, গর্ভ পুবগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অসিনচিংবসি তৌবীগনি। মসিগী মথক্তা ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীগী রেকোর্দ খুদিংমক থম্বীগনি। মচা লৌবগী রেকোর্দ থম্বসিনা ষণবীগী মরমদা অমদি ষণবীগী ফরটিলিটিগী মরমদা খঙবা ঙমহল্লি।

**রেকোর্দ থম্বগী কান্নবা ঃ**

১) ষণবীগী মমাঙগী মচা লৌবদা থেংনখিবা অশোয়বা কয়া অমা খঙবা ঙমহল্লি।

২) মসিনা মথংগী মচা লৌদ্রিঙৈদা লাইওংগী মতুং ইন্না লায়েংহৌরগদি তেক্তা কায়দনা হেন্না চাবোক ফবা ঙমহল্লি।

৩) করম্বা মতমদা হীট লাক্কনি হায়বা খঙদোকপা ঙমহল্লি।

৪) হীট লাকপগা রেগ্যুলর ওইবরা নৎত্রগা ওইদবরা খঙদোকপা ঙমহল্লি।

৫)চারোন নাওরোন্নবদা অশোয়বা কয়া অমা ঙন্না খঙদোক্তুনা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি।

**অরিবা ষণবীশিং হাতম্না মহুৎ শীন্দোকপা ঃ** ষণবুনা ষণ লোয়বিরিবসি অয়াম্বনা শঙ্গোম অমদি মশা চান্নবগীদক্তনি। শঙ্গোম হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবদা অশোই অঙাম য়াওদনা ষণবী লোইবীগনি। করিগুম্বা ষণবীনা মশা পোখোক হন্থরক্লবগদি থম্বদা অমাংদা অমা ওইবনা অফবা হাতম্না মহুৎ শীন্দুনা অরিবা ষণশিং মশা চান্নবা য়োম্হোকখিবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। হাতমশিং নীংথিনা লোয়নবীগদমক ষণবুশিংনা মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগনি:

১) হাতমগী চহীগী মতুং ইন্না লৈফম অমদি চাফম নীংথিনা থম্বীগনি।

২) হাতম্না থা ১৫-১৮ য়ৌরক্লগদি হীট লাকপগী মতম য়ৌশিল্লক্লবনিনা অয়াম্বা মতমদা ষণবুনা য়েংশিনবীগনি।

৩) হীট ঙন্না লাক্লগসু হাতম্না থা ১৫-১৮ শুরবা নৎত্রগা কে জি ২০০দগী ২৫০ লুপ্লবদি মচা লৌবিবা য়ারে।

৪) গর্ভ লৈরবা হাতমশিং নীংথিনা পীজ পীথক তৌবিগনি। মসিনা হাতমশিং অমদি পুক্লুংদা লৈরিবা ষন্নাউগী হেন্না মশা ফহল্লি। হাতম অমদি পুক্লুংদা লৈরিবা ষন্নাউ চাউবা লেপত্রিবা মরম্না হেন্না মচী ওইবা মচীঞ্জাক পীজবা মথৌ তাই।

**শঙ্গোম থোকপী ষণবী লোয়বা ঃ** শঙ্গোম শুল্লিবা মচা চেনবী ষণবীসি মচা লৌখ্রবা মতুংদা গর্ভ পুরগদি মচা পোক্ত্রিঙৈ থা অনীরোম ৰাৎলিঙৈদগী হান্নগী মচাদু মখোম খায়বিবা য়াম্না মথৌ তাই। ষণবীদা থা অনী ৰাৎলিঙৈদা মখোম খায়বসি অৰাবা অমা ওই। অসিগুম্বা ষণবীদা মখোম খঙখায় খায়দোক্লগদি মশাদা অমদি মচাদা অশোয়বা কয়া অমা লাকই। মরম অসিনা ঐখোয়না তপ্ন-তপ্না খায়দোকপা অমা দরকার ওই। ষণবী অয়াম্বনা শঙ্গোম শুল্লিবা মতমদা মফোনগী শরুক পীজনৈ। হায়রিবা মফোন পীজবগী চাংশি নুমিৎ খুদিংগী খরা-খরা হন্থবিরগা অমদি শঙ্গোম শুমদোকপগী চাংসু অসুম-অসুম হন্থবিরগা লেপ্পীগনি। শঙ্গোম শুম্বসি নোংমদা অনীরক হায়বদি অয়ূক্তা অমুক নুমিদাংৱাইরমদা অমুক শুম্মী। মসিসু নোংমদা অমুকরক শুম্বীরগা খরা-খরা অসুম-অসুম নোংমা কাল্লগা নোংমদা অমুক শুমদোকীপবা অদুগা পুরা শুম্বা লেপ্লগা খোমজিন্দা এন্টিবাইওটিক্স কাপ্পীরগা পুরা শুম্বা লেপ্পীগনি। শঙ্গোম শুম্বা লেপ্লবা মতুংদা গর্ভ পুরবী ষণবীদা হান্না পীজরম্বা মফোনগী শরুক্তগী কে জি ১.৫ দগী ২দা হেনগৎত্তুনা মচা পোক্ত্রিফাওবা পীজ বিগনি।

**হীট লাকপগী মতম খঙদোকপা ঃ** অয়াম্বনা চাদা ৯০-৯৫গী ষণবীদি মতম চানা হীট লাকই। হীট লাকপা মতম চানা খঙদোকপা ঙল্লগদি মতম চানা মচা লৌবা ঙমগনি নিংথম থাগী মতমদা অয়ূক পুং ৬-৭ ফাওবগী মনুংদা য়েংবিরগনি। নুমিদাংৱাইরমদনা পুং ৪.৩০-৫.৩০গী মনুংদা য়েংবিগনি। কালেনগী মতমদনা অয়ূক্কী ওইনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ফাওবা অদুগা নুমিদাংৱাইরমগীনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবগী মনুংদা য়েংবিগনি। হীট লাকপগী মতমসি পুং ১৬-২৪ ফাওবা ওইগল্লি। হীট লাকপা লোয়রগা মতুং পুং ১০-১৪গী মনুংদা ওভরিদগী মরূ থোরকই। হায়রিবা মতমসিদা মচা লৌবীগনি। হীট লাকপগী মওং-মতৌসি অঙনবদদি কয়া উবা ফংদে। অদুবু মওং-মতৌ খরা হায়বদি অতোপ্পা ষণগা লৈমিন্নরগদি অতোপ্পা মনাক নকপা ষণদা মনম নম্বা, চোংখৎপা, খোংবা, চানিং-থক্লিংদবা, মপাম্থোংগী শরুক্তা ঙাংশিল্লকপা অমদি পোমতক তৌরকপা, অরুবা মচুম তারকপা, পুং ৬-৮ লৈরবা মতংদা অমুক ষণবীবু হীট লাকপগী মওং-মতৌ শেংনা উবা ফংগনি। মসিদগী ষণবীদু লেঙদনা লেপ্পগা লৈবা উগনি। মসি পুং ১৪-১৬ ফাওবা লৈগনি। মসিগী মতমদা খোংবা, চানিং-থক্লিংদবা, মপাম্থোংদগী মচুম তারকপা, শঙ্গোম থোকপী চাং হন্থরকপা অসিনচিংবা উগনি। করিগুম্বা চবোকথোঙদা ঈ য়াওবা মচুম তারকপসু থেংনরগদি নুমিৎ ২-৩গী মমাঙদা হীট লাকখ্রে হায়না লৌবিগনি। মরম অসিনা ষণবুনা নুমিৎ ১৬কী মনুংদা হীট অমুক লাকপ্রা হায়না চেকশিন্না শেন্নবীগনি।

**মচা লৌবগী মতম ঃ** মচা লৌবগী মতম অমদি অফবা মখলগী মরূ (সিমেন) না তেক্তা কায়দনা মচা ওইবা ঙমহল্লি। ঙন্না মচা লৌবা/থেঙনা মচা লৌবনা মচা ওইবা ঙমহন্দে। মচা লৌবা য়াবগী মতমসি হীট লাকপা লোইরমদাই পুং ৮ ৰাৎলিঙৈদগী মচা লৌবা য়াই। চৎনবী অমা ওইনা অরাইবা মওংদা ষণবী অমনা অয়ূক অঙনবদা হীট লাকপগী মওং-মতৌ উৎলক্লগদি মথংগী নুমিৎকী অয়ূক্তা মচা লৌবা য়ারে। অফবা মহয় লাক্লবগীদমক মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবিহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা মতমদসু হীট লাকপগী মতমসি পুং ২১দগী হেন্না লাকপসু য়াওই। হায়রিবা মতমসিদদি মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবিগনি। করিগুম্বা মতমদা মচা লৌবদা অশোয়বা কয়া য়াওদুনা মচা ওইবা ঙমদবসু য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মচা কাপ্পীরবদি মফম, মতম চানা অমদি পারম চুম্না মচা কাপ্পীগনি।

**মতম চানা গর্ভ পুবা খঙদোকপা ঃ** ষণবীদা গর্ভ পুবগী মওং-মতৌসি নুমিৎ ৪০-৪২ ফাওবগী মনুংদা খঙদোকপিবনা খ্বাইদগী ফৈ। থেঙলবদা থা অহুম (৩) ফাওবগী মনুংদা খঙদোকপিবনা ফৈ। গর্ভ পুবা খঙদোকপা মতমদা খঙ হৈরবা অমনা অমাংথোঙলোমদগী খূৎ হুম্বীরগা য়েংবিগনি। করিগুম্বা গর্ভ পুরমদবা ওইরবদি অখঙ-অহৈ তান্নবিগনি।

**মচা লৌখ্রবা মতুংদা ষণবুদু করম্বা ওইগনি খঙদোক্লবা মখা থমজরি :-**

ক) মচা ওইনবগীদমক সর্ভিস মশীং: মসি করম্না খঙগদগে হায়রবদি

মচা ওইনবগীদমক সর্ভিস মশীংসি ষণবীদা সর্ভিস পীবা মশীংদগী মর্চা গভ পুবগী মশীং অসি খায়দোক্লগা তারকপা মশীংদু ওইগনি।

অহানবা সর্ভিস পীরগা মচা ওইবসিনা খ্বাইদগী ফবনি অদুগা আইদেল ওইবা মশীংসি ১.৭নি। করিগুম্বা ২.০দগী হেনখ্রবদি ষণবীদু অখঙ-অহৈগা তান্নবীগনি।

খ) গর্ভ হুনবগী রেট : মসি ষণবুনা খঙনবা

গর্ভ হুনবগী রেট অসি ষণবী গর্ভ পুরকপদা ষণবীশিং মচা লৌখিবগী মশীংনা পুরিরগা তারকপা মশীংদা ১০০না পুরিরগা তারকপা মশীংদু ওইগনি।

গ) মচা পোকপগী রেট : মসি চহী অমদা পান্নে। চাবোক ফবী ষণবী ওইরগদি চহীদা চাদা ৯০গী মচা পুথোকই।

$$\text{মচা পোকপগী রেট} = (৩৬৫ / \text{চবোক অনীগী মরক্কী মতম}) \times ১০০$$

ঘ) চবোক অনীগী মরক্কী মতম : ষণবীনা চবোক অনীগী মরক্কী মতমদি থা ১২-১৩ লৈরগদি খ্বাইদগী ফবী ষণবী ওই।

ষণবুশিংনা মতম চানা পীজ-পীথক তৌবিদুনা লু নান্না শেন্নবীদুনা অমদি অফবা মখলগী মরূনা মচা লৌবিহৌরগদি হেন্না চারোন নাওরোন্নবা অমদি চাগোক ফবী ষণবী ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম হেন্না পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবসু ঙমগনি। ●

# লমদম অসিদা ঙা য়োকপদা পাঙথোকপীগদবা অফবা থৌওং খরা

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঐখোয়গী লমদম অসি চখোক-চৎশিনগী খুদোংচাদবা, অৱাংবা চীংশাংশিং, অকুৎ-অতোং নাইবা চীংশাং পরেংশিং, অকুৎপা তম্পাক অমদি চোৎ চোৎ লাওবা মফমশিংনা পুনশিন্দুনা লৈবা মফম অমনি। লমদম অসিদা ঙাগী পোখোক্কী চাং নেম্বগী মরু ওইবা মরম খরা থমজগে।

১) অশিনবা লৈবাক লৈহাও ওইবা, ২) অশিনবা ঈশিং ওইবা, ৩) লৈবাক অমদি ঈশিংদা আইরনগী চাং য়াম্না য়াওবা, ৪) ঈশিং তুংদুনা লৈবা ঙমদবা, ৫) অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা ফংদবা, ৬) অফবা মখলগী মচিঞ্জাক ফংদবা, ৭) ঙা পুথোক পুশিন তৌবগী খুদোংচাবা ৰাৎপা, ৮) ঙা য়োকপদা খুদোং চাগদবা মফম মরাং কায়না লৈতবা, ৯) ঙামীশিংগী অপাম্বা কয়া ফংহনবা ঙমদবা, ১০) মফম মতমগী মতুংইন্না চানবা মওংগী থৌওংশিং শীজিন্নদবা অমদি লৈরিবা পুখ্রি অদুগী চানবা থৌওংশিং শীজিন্নদবা অসিনচিংবনি।

মালেমগী ওইনা ঙা য়োকপগী থৌওং অসি তাঙ্কক অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই। হায়রিবা তাঙ্ককশিং অদুদি - **১) নর্সরি মেনেজমেন্ট :-** হায়রিবা তাঙ্কক অসিদা য়োক্কদৌবা ঙাদি নুমিৎ হুমনি-মরিনি শুরবা অদুগা চাওরাক্লা মিলিমিটর ৮ রোম শাংবা ঙাশিং Spawn হায়রগসু খঙনবা অসিদগী নুমিৎ ১৫নিদগী নুমিৎ ৩০নি শুরবা early fry হায়রগসু খঙনবা নৎত্রগা মিলিমিটর ২১দগী ৪০ ফাওবা শাংলবা advance fry হায়রগসু খঙনবা ঙাশিং অসি ফাওবা য়োকপা অদুবুনি। হায়রিবা ঙা য়োকপগী তাঙ্কক অসিদা শীজিন্নগদবা পুখ্রিশিং অদু মতম পুম্নমক্তা হায়বদি চহী চুপ্পা ঈশিং লৈতবনা হেন্না ফৈ অমদি নুংশা নিংথিনা ফংবা মফম ওইগদবনি। পুখ্রিগী পাক চাওবগী চাংনা চাওরাক্লা ০.০২-০.০৪ হেক্টর ওইগদবনি। ঈশিংগী অরূবগী চাংনা ০.৭৫ মিটর ওইগদবনি।

**২) রিয়ারিং মেনেজমেন্ট :-** হায়রিবা তাঙ্কক অসিদা য়োক্কদৌবা ঙা অসিনা নুমিৎ ১৫নিদগী ২০ রোম শুরবা ফ্রাই (Fry) হায়রগা খঙনবা ঙাশিং অদুদগী থা ২দগী ৩ শুবা ঙা নৎত্রগা মিলিমিটর ৪১দগী ৮০ রোম শাংবা ময়াম্ন ফিঙ্গরলিং (Fingerling) হায়রগসু খঙনবা ঙাশিং অসিমুক চাওবা ফাওবা ওইগদবনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা শীজিন্নগদৌবা পুখ্রি অদু চহী চুপ্পা ঈশিং লৈবা মফম ওইদ্রবসু য়াই নৎত্রগা চহী চুপ্পা ঈশিং লৈবা ওইরবসু য়াই। তৌবতবু নুংশা মঙাল ফজনা ফংবা ওইগদবনি। পুখ্রিগী পাক চাওবগী চাংনা চাওরাক্লা ০.০৮-০.১ হেক্টর ওইগদবনি। ঈশিংগী অরূবগী চাংনা মিটর ১দগী ১.৫ ফাওবা ওইগদবনি।

**৩) গ্রো আউট মেনেজমেন্ট :-** হায়রিবা তাঙ্কক অসিদা য়োক্কদৌরিবা ঙা অসি চাওরাক্লা থা ২দগী ৩ ফাওবা শুরবা ময়াম্না ফিঙ্গরলিং হায়রগা খঙনবা অদুদগী চানবগীদমক্তা শীজিন্নবা ঙাশিং Table size fish হায়রগসু খঙনবা ঙাশিং চাওরাক্লা থা ৬তগী ১২ রোম শুরবা অমদি মিলিমিটর ৮১দগী ১৫০ ফাওবা অমদি মসিদগী হেনবা ওইগদবনি। শম্না হায়রবদা চানবগী ওইবা ঙা য়োকপা অদুবুনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা শীজিন্নগদৌবা পুখ্রিশিং অদু চহী চুপ্পা ঈশিং ফংবা মফম ওইগদবনি অমদি নুংশা মঙাল ফজনা ফংবা ওইগদবনি। পুখ্রিগী পাকপা চাওবগী চাংনা ০.২ হেক্টর অমদি মসিদগী চাওবা ওইগদবনি। ঈশিংগী অরূবগী চাংনা চাওরাক্লা ১.৫ ওইগদবনি।

**তঙাইফদনা পাঙথোকপীগদবা থৌওং খরা :-** ১) অহানবদা পুখ্রিগী ঈশিং কংহন্দুনা লৈমায়দু নুংশা মঙাল ফজনা ফংহনবীগদবনি অমদি লৈমায়দু খোইদোকপীদুনা ফত্তবা নুংশিৎশিং চৎহনখিগদবনি।

২) মথংগী নুমিত্তা শুনু (Quick lime) কিলোগ্রাম ৫০০দগী ৭০০ পরিদা চাইথোকপীগদবনি। মসিনা লৈবাক্কী অশিনবা ফহনবা ঙমগনি। অদুদগী ঈশিং খরা হাপ্লগা চয়োল অমরোম থম্বীগদবনি। মদুগী মতুং তারকপদা ঈশিংগী অশিন অয়াক ফজনা থম্লবা ঈশিং অদু কয়াম শিনবগে হায়বা য়েংলবা মতুংদা শুনু অমুক শীজিন্নবীগদবনি।

৩) করিগুম্বা পুখ্রি অদু হান্নদগী শীজিন্নদুনা লাকপা পুখ্রি ওইরবদি পুখ্রিগী লৈমায়দু খূৎলায় অমা শীজিন্নদুনা খোগাইবীগদবনি। মসিনা ফত্তবা নুংশিৎশিং থোকহনখিবদা মতেং পাংগনি।

৪) পামদবা ঙাশিং ফজনা ফাদোকপীগদবনি অমদি ঈশিংগী লুবগী চাং মিটর ১.৫ ওইহনগদবনি।

৫) পুখ্রি অদু লৈহাও লৈহন্নবগীদমক ষম্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০ নৎত্রগা থাওথী কিলোগ্রাম ২৫০ + ষম্থি কিলোগ্রাম ৫০০০ পরি অমগী পুখ্রিদা চাইবীগদবনি। ঙা য়োক্লবা মতুংদদি হৌজিক শীজিন্নরিবা চাং অসিগী চাদা ৩০ থা খুদিংগী চাইবীগদবনি।

৬) পরি অমদা ফ্রাই লাখ ২-৩ ফাওবা থাদবীগদবনি। করিগুম্বা স্পাউন (Spawn) ওইরবদি লাখ ২০-৩০ থাদবীগদবনি। স্পাউন য়োকপীগে হায়রবদি খরা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

৭) ঙাগী মচিঞ্জাক অসি ফ্রাইগী ওইনদি অহানবা থা অদুগী ঙাশিংগী অরূম্বগী চাদা ১% থাবীগনি অদুগা মথংগী থাশিংদদি চাদা ২-৩% থাবীগনি।

৮) ঙা য়োক্লবা মতুং নুমিৎ ৪৫নিদগী ৯০ শুরকপা ফাওবগী মনুংদা ঙা খরা খরা ফাদোকপীদুনা ঙা মশীং হন্থহনবীগদবনি নৎত্রগা পূন্না ফাদোকপীদুনা চানবগী ওইনা য়োক্কদবা পুখ্রিশিংদা চান্নবা মশীং ওইনা থাদবীগদবনি।

চাননবগী ওইনা য়োকপগী থৌওংশিং মথং অমুক থমজরগে। ●

# ১৯৩৯: শেঞ্জাও পায়বা নিতিগী মায়োক্তা থেংনখিবা নুপী লান – ৩

**- সোটিনকুমার -**

**ইরাবতনা নুপী লান লমজিংলকপা :** ইরাবত থোক্লকপদা মণিপুরী নুপী মীয়াম, প্রজা মীয়াম নৌনা থৌনা ময়োল চোংবগুম থোকখ্রে। মহাক্লা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৱার্কিং কম্মিটিগী মীটিং অমা ১৯৪০ গী জনুৱারী ৭তা কৌরে। মীটিংদা মোত চাওনা খেন্নরে। কাঙবু অমদি আন্দোলন মখা তানা চত্থনিংদ্রে। লৈঙাক্কী চৈফু কিবদগী নিংহন্নরে। মশাগী সুবিধা থিনরক্লে। মহাসভাদগী রিজাইন তৌখিবসু য়াওনরে। ইরাবতনা নুপীগী ঈহৌ অসি মপুং ফানা পুখৎনবা মণিপুর প্রজা সম্মেলনি কৌবা লূপ অমা লিংখৎখি। ইরাবতনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরে। ইরাবতনা নুপীগী লালহৌ অসিগী মরু ওইবা খোঙথাং কয়া চঙশিল্লকপগা লোয়ননা নুপী মীয়ামগী অপুনবা ঈহৌ শাগৎনবা মণিপুর মহিলা সম্মেলনি কৌবা নুপীশিংতগী ওইবা লূপ অমসু লিংখৎখি। মণিপুর মহিলা সম্মেলনি নুপীগী লালহৌ অসিদগী লিংখৎখিবা লূপ অসি হৌজিক্তি ওল মণিপুর নুপী মরুপ হায়না খঙনরি। শবী দেবীবু সম্মেলনি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি হাপখি।

ইরাবতগী লমজিং মখাদা নুপী মীয়ান্না হনবা লৈতনা থেংনবদগী মণিপুরদা লৈবা মিল ১৮ চল্লাইবা থিংখি, চেঙ ফৌ থারম্বা থিংলে, প্রজা মীয়ান্না জয় ওইরে। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্তি তূমিন্না লৈথোক্ত্রি। দরবারগী হুকুম্না ইম্ফাল সহরগী অকোইবদা মী মঙা শুনা তিনবা য়াদবগী হুকুম আই পি সী ধারা ১৪৪ চল্লাইখি। তৌইগুম্বসুং আইন অসি চল্লাইদুনসু নুপী মীয়াম তিনবা পুনবা তোকখিদে। পুলিস লেন্দ ময়াদা নুপী মীয়ামগী অচৌবা মীটিং পাঙথোকখি। মীটিং অদু লোইরগা মীয়াম হৌনদুনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা লাক্লগা বাবু কষ্টুরচান্দবু মখোয়দা শিন্নবা পোলিটিকেল এজেন্টতা তকশিনখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি বাবু কষ্টুরচান্দনা মণিপুরদা লৈবা ফৌ মখৈ ৱানশিল্লগা মণিপুরী মখৈ ৱাই পীজগনি হায়খি হায়বদগীনি। পোলিটিকেল এজেন্টনা কষ্টুরচান্দবু পুথোরকউ য়াদবদগী নুপী মীয়ান্না নিংঙাই শংদানখি। মসিনা কষ্টুরচান্দনা লাল্লে হায়জবা অইবা চে পীরকপদগী নুপী মীয়ামগী অশাওবা নেমথখি।

মথংগী নুমিৎতা মীয়াম তিনবা মীটিং পাঙথোক্তুনা পুলিস রিজার্ব এরিয়াদা চঙদুনা ধারা ১৪৪ থুগায়খি। মসি থিংনবা হোৎনবদা অসাম রাইফলস অমদি ষ্টেট পুলিসকী মীওইশিংগা খোইশাওনরবা প্রজা মীয়ামগা ইন্নবদা মিলিটরি পুলিস ৪, সিভিল পুলিস ১১ শাথিনা শোকখি, পুলিস ৯ অমসু অশোক অপন নংখি। প্রজা মীয়ান্না বন্দে মাতারম লাউখি। বৃটিশ অমদি নিংথৌ সাসন মুখৎনবা খোল্লাউ লাউখি। মায়কৈ কয়াদগী নুপী মীয়ান্না অকনবা খোল্লাউগা লোয়ননা পুলিস রিজার্ভ এরিয়া তন্না ফুজিল্লকখি। মখোয়না টেলিগ্রাম ওফিস মমাঙদা নুপী কয়াবু সঙ্গিন্না থিন্দুনা ঈ তাহনখিবা অমদি ইমা ইবেল কয়াবু খোঙপাক্লা নেৎখিবা অদুগী মায়োক্তা অকনবা খোল্লাউ লাউখি। নুমিদাং অথেংবা ফাওবা পুলিসশিংগা প্রজাশিংগা ইন্না কাওনবা তোক্ত্রে। নোংমৈ, সঙ্গিন পায়বা পুলিস অমদি মিলিটরিগা প্রজাশিংগা অপায় অপায়বা নুঙ, থাঙ অমদি ৱাকোক্লচিংবা থোমগায়নবা হৌরকখি। নিংথৌ অমদি বৃটিশ হেন্না চেকশিনখ্রে। অহেনবা ফোর্স কৌথোক্তুনা কোনুং অমদি বৃটিশ রিজার্ব এরিয়া চেকশিন্না ঙাকহনখ্রে।

**আইন অমন্যা আন্দোলন :** আন্দোলন অসি ইম্ফাল সহরদগী পাক চাওনা খুঙ্গং কয়াদা শন্দোকখি। প্রজা সম্মেলনি কৃষক সভা পুন্না থবক পায়মিন্নরক্লে। অমুক্তা নুপী মীয়ান্না হৌরকপা অসিদদি ইরাবতনা আইন অমন্যা আন্দোলন হৌরে। মফম কয়াদা পব্লিক মিটিং তৌখি। প্রজা মীয়ান্না লৈঙাক্তা তাক্তনা তেরা হেকতোক্লে, উ য়ান্দুনা য়ুম শাবা হৌরে। চীংদগী মাশুল পীদনা শিঙ য়ানবা হৌরে। ই ফাল্লে, মাশুল পীদ্রে। পাৎ তুরেল প্রজা মীয়াম হৌদুনা পাৎশেল পীদনা নৈখায়দুনা ঙা ফারগা চাথোক্লে। খেন্বা লাল্লগা শেল পীদ্রে, খেৱা শঙ থুদেক্লে। থরো, লেম্ফু, থমচেৎ হেক্লে, পাৎশেল পীদ্রে। হায়িংখোয় লোক্লগা নিংথৌদা কৎত্রে। পীয়ন, আমিনগী চাকথাক তৌবীদ্রে। তশেংবদি লৌমী মীয়ান্না আইন অমন্যা অসিদা চঙশিনবা ঙমখিবা অমসুং ১৯৩৯দা নম্বোলদা অহানবা মণিপুর কৃষক সম্মেলনি লিংখৎখিবা অদুদগীনি। আন্দোলন অসিদা কৃষক সম্মেলনিগী সেক্রেটরি ওক্রম ইবোমচা, কবিরাজ মাইমোম মধুমঙ্গল, মোংজম সুবোলনচিংবা কর্মি কয়ানা থৱায় য়াওনা অরেপ্পা লৈতনা নম্বোলনচিংবা জগাদা নিংথৌগী অওৎ অনৈ কয়াগী মায়োক্তা চঙশিনখি।

মতম কুইনা চৎনবী ওইনা লৈরম্লবা আইন কয়া পোত্থাং বেগার, পীয়ন চাকথাক, দোলাইরেং, ধর্মগী শেন্তেক খায়বনচিংবা কোকখ্রে। ইরাবতনা খুঙ্গং কোইরগা পব্লিক মীটিং কয়াদা ৱা ঙাঙদুনা আন্দোলন অসি লমজিংলি। কুমজা ১৯৪০ জনুৱারীগী ৭তা পুলিসলেন লম্পাক্তা প্রজা সম্মেলনীনা শিন লাংদুনা তৌবা পব্লিক মীটিং অমদা ইরাবতনা পীখিবা অশেংবা ভাষণ ষ্টেট দরবারদা ইরাবতপু বিচার তৌবদা মরাল পীবগী রাইদা য়াওবা ইংরাজী লোন্দগী হন্দোকপা ইরাবতনা অসুন্না ঙাঙখি, ‘ মণিপুরগী ইমা ইবেলশিংনা চেঙ খুজোক অমত্তং পীয়ু চারা হেল্লে হায়জরুবদা সঙ্গিন্না থীনবীরে। ঈ খুজোক ওইনা পীবীরে। চাক্কীদমক মৈতৈ নুপীশিং ঈ তারে, টেলিগ্রাফ ওফিসকী থৌদোক নীংশিংবীয়ু, রুসিয়াদা অমসুং জপান্দা প্রজা মীয়ান্না হৌদুনা চঙশিনখ্রে। মখোয়গী থৌনা ঐখোয়দসু করিগী লৈরোই। জেলদা চঙবদা ঐখোয়দা কিরোইদবনি।’। অসুন্না কুমজা ১৯১৭কী রুসিয়াগী রিপ্লবকী মরমদা ঙাঙবা হৌখি।

ইরাবতনা মতৌ অসুন্না আন্দোলন লেপ্তনা চঙশিল্লকপা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা ইরাবতপু ফারগা ষ্টেট দরবারদা বিচার তৌখি। কুমজা ১৯৪০গী মার্চ ২১দা ইরাবতকী মথক্তা বিচার তৌরগা চহী অহুম জেলদা থন্নবা ৱায়েল তাখি। ইরাবত্তা নত্তনা শবী দেবী, তোঙ্গৌ দেবী, লৈপাকলৈনচিংবা নুপী লালগী লুচিংবী কয়া থা ৬।৭ গীদমক জেলদা থমখি। থৌনা ফবী নুপীশিং অদুগী মনুংদা শবী দেবী অথোইবীনি। মতৌ অসুন্না মণিপুরগী রাজনিতিগী তাঙ্কক্তা অচৌবা অওনবগী দায়ত্ব পুন্নমক ইরাবততা থংজিন্দুনা মাবু জেলদা মতম শাংনা থমজিল্লগা ঈরাং নমথনবা হোৎনখি। পেন্দ্রবা ইমা ইবেলশিংনা প্রতিবাদ ওইনা চহী অমা পুরা খ্বাইরম্বন্দ বজার কাদনা মুত্থৎতুনা থমখি। ●

**ষ্টেটকী পাউ**

## খূদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

নিঙোলশিংগী নিংথম খূদোল থাংজম অরুনকুমারনা তম্বগী থৌরম, নোংমৈবুংদা লৈবা ফুটবোল গ্রাওন্দ ঈ এস সী নোংমৈবুংক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

নিঙোলশিংগী নিংথম খূদোল তম্বা অসিদা ৱাংখৈ এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা থাংজম অরুনকুমারনা হায়খি, পরিং নাইনা চত্থরকপগী মনুং চনবা, নিঙোল চাক্কৌবদগী চত্থরকপা থৌওং অমসুনি।

ঙসি নিঙোলশিংগী নিংথম খূদোল তমজবা অসি নিঙোল লিশিং ২দা পীনবা পান্দমদা চঙশিঞ্জবনি। মরমদি নিঙোলশিং হায়বসিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু ইকায় খুম্নজবগা লোয়ননা নুপীশিংনা হেন্না মীখলদসু থৌদাং লৌবীনবা খূদোল তমজবনি হায়খি।

## লুচিংবা লময়ানবা হিজম ইরাবত অমদি লৈখিদ্রবা লময়ানবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ৯৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খ্বাইরাকপমগী ওপন ভৱনদা নেসনল ইগজেক্যুটিভ মেম্বর সী পি আই দা. এম নর, ষ্টেট সেক্রেটরি এম এস সী এল সোতিনকুমার য়াওনা লুচিংবা লময়ানবা হিজম ইরাবত অমদি লৈখিদ্রবা লময়ানবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

সী পি আই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জোইন্ট সেক্রেটরি সী পি আই-এম এস সী এম জয়কুমার, সেক্রেটরিএট মেম্বর এম এস সী এ লালা, জোইন্ট সেক্রেটরি সী পি আই-এম এস সী কেঐচ সুরচান্দ, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি সী পি আই বি দি সী কে বিমোল, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ককচিং এ সীগী ৱাই রোমা, ভেটেরান মেম্বর পি বিরচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দা. এম নরনা হায়খিবদা, সী পি আইগী কেন্দিদেট অনী অহানবা লিষ্টকী ওইনা লাউথোকখ্রে। এ সী ৬০দা ভোট লেপ্পগী থৌরাং তৌদে। সী পি আইনা মেক্সিমম সেক্রিফাইস তৌদুনা লৈজরিবা কেন্দিদেট খরসিগা লোয়ননা নন-বি জে পি লেদ গভর্ণমেন্ট অমদি লৈহন্নীংই। মরম অদুনা সেক্যুলর ওইবা দিমোক্রেটিক লাইক মাইন্দেদ ওইবা কেন্দিদেটশিংগী পার্টিশিং য়েংলগা ফুল সপোর্ট তৌগনি। হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফিভম য়াম্না লুই। মরম অদুনা প্রোগ্রেসিভ ওইবা অফবা মী খনবা লাইদে। সেক্যুলরিজমদা থাজবা লাইক মাইন্দেদ ওইবা পার্টিদগী অফবা কেন্দিদেট খনবা নত্তনা কোইচোং চোংবা মীদা সপোর্ট তৌবদি তৌরোই।


মণিপুর অসি অপীকপা ষ্টেট অমনি। সিদা অফবা কেন্দিদেট খনবা নৈনবদা লুদে হায়না খল্লি। হোংলক্লিবা সিচুএসনগী মতুং ইন্না মীয়াম্না য়াবা কেন্দিদেট খঙদ্রবদি তুংদা ফত্তবা কয়া লাক্কনি। মরম অদুনা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম হোংদোকপা চঙই। ইলেক্সন অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনবা হোৎনসি। মীয়াম্না অপাম্বা মীহুৎ খনসি। ইলেক্টোরেল রিফোর্ম তৌবা মথৌ তাই। সী পি আইনা মীয়ামগা লোয়ননা ঈহৌ শাগৎপগী হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা আপীল তৌজরি হায়খি। ককচিং এ সীগী ওইনা ৱাই রোমা অমদি খুরাই এ সীগী ওইনা আর কে অমুসনা অনী অসি হান্না কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লময়ানবা মীওই নিপালদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা খূদোলপোৎশিংসু পীখি।

## লালহৌবা লুপ ১গী মীওই নোংমৈগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

লালহৌবা লুপ অমগী মীওই নোংমৈ মরিগা কোন্ননা ফারগা ইম্ফাল ইষ্ট এস পিগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা মমাঙদা পুথোকখ্রে।



নোংমৈগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং ময়াংলম্বম অমরজিৎ (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা মমিং এম ইবোচা কৌই, মহাক সুগ্নু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পাঙলতাবী চাইরেন লমখাইদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন-থ্রীদা লৈবনি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এস পি এম প্রদিপনা হায়খিবদা, মহাক মশামক অমদি এদিসনল এস পি এম রোনিগী পাউতাক মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট কমান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর কেঐচ হেনরি, হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী পাথৌ অমদি ১৬শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু য়াওবা কম্বাইন্দ টিমনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫রোম তাবদা খাবম লমখাইগী ওটো পার্কিংদগী ফাবনি। মঙোন্দগী নাইন এম এমগী গ্লোক মার্ক মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ১, নাইন এম এমগী সিগ সৌসর মার্ক মেগজিন য়াওবা ১, পোইন্ট ২২গী ৱাদর মার্ক থাবা পিষ্টোল ১ লোয়ননা নাইন এম এমগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল, নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৩৩, পোইন্ট ২২গী মরূ ১০, গ্রে মচুগী হোন্দা এক্টিভা এম এল ০৬ এস এস/৩০১০ অমা, ভিভো ২০১৫ গী মোবাইল ফোন এয়রটেলগী সিম কার্দ য়াওবা অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা মীওই অদু ৱাহং-পাউহং চত্থবদা ভোগেন কৌবা মীওই অমনা নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদা মঙোন্দা শিন্নরম্বনি হায়বা খঙবা ঙল্লে। লোয়ননা মখা তাবা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা নোংমৈগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নরগনি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।